# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)   মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি মতম কয়াগী মমাংদগী মরা তাদুনা লাক্লুবা ৱাথোক্কা মরী লৈনবনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মতম চংবনি।

২)  গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙরাং চান্দিগরদা ক্রিমিনেল জষ্টিস ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা সিষ্টেমশিং হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৩)  ভারতনা গ্রেট বৃটেনবু মায়থিবা পীদুনা পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪ গী নুপাগী হোক্কিগী সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

------

ববিনা (এল) ঃ   মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- হেলথ কেয়ার সেক্তরদা মণিপুরনা মালেমগী লমজেলদা য়াওরকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শজিৱা জেল মনাক্তা লৈবা ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতাল শঙ্গাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- হকচাং ফবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থোক্লিবা ইরাং অসি মতম কয়াগী মমাংদগী মরা তাদুনা লাক্লুবা ৱাথোক্কা মরী লৈনবনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মতম চংবনি। মসিদা ঐখোয় খাঙবা কনশি, অদুবু ইরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীয়ামদগী শেল খায়বনচিংবা চথুরিবা থৌওংশিং অসি তৌবীগনু। হেঞ্জিল্লক্লবদি সরকারনা

তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। শ্রী বিরেন্না হায়-ইরাং লৈ হায়দুনা ঐখোয় থবক শুবা লেপ্পা য়াদে। সরকার অসিনসু পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। মদুগী মনুং চন্না কংকৃকনা শেন্বা লন্বী য়াওনা লোক্তাক পাৎ অমদি লমফেলপাৎ শেমগৎপা, ইম্ফাল রিং রোডনচিংবা শেন্বগী থবক অথুবা মতমদা হৌরগনি। অমরোমদা, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক ফালবদা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওই লিশিং ৬ কী মথক্তা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীদুনা থবক কয়া ফংহনখ্রে। থৌরাং অসি মখা তানা চৎখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন্না হায়- রাজ্য সরকারনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং পীবদা অৱাৎপা লৈরিবশিং প্রাইভেট কম্পনিশিংনা মেনশিন্নবা হোৎনরি। ডাঃ রঞ্জন্না প্রাইভেট হেলথ কেয়ার সেন্তরশিংদা হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা অনা লায়েংগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংনবসু আপীল তৌখি।

রেস্ক্যু (এল)ঃ ২২ শুবা ৩২ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তুইকোন ভিলেজদা চংলম্বা সি.আই.দিগী কন্সটেবল অমা কনখ্রে। মীওই অদু স্কুতি অমা তোংলগা ইম্ফালদগী লাকপদা কুকিগী খুলদা চংশিল্লম্বনি। মফম অদুদা মথৌ তৌরম্বা অসাম রাইফলসনা থেংনবদগী মহাকপু কল্লগা লমশাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখি হায়রি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর, নাগালেন্দ, অসাম, মেঘালয়, মিজোরম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং সিক্কিমদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশকা মফম খরদা থা অসিগী ৭ তগী ৯ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি ।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং অৰাং-নোংপোক থংবা মফমশিংল জম্মু কাশ্মীর, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং রাজস্থানদা লাক্লিবা চয়োল অসিগী মনুংদা অখাক অরাউগা লোয়ননা ময়াহ ওইরপ্পা চাংদা নোং চুগনি। হায়রিবা মতম অসিদা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং দিল্লিদসু নোং চুগনি হায়রি। উত্তরাখন্দগী মফম খরদা হয়েং অমসুং হংচিৎ অকনবা নোং চুগনি হায়নসু মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা মখা তারি।

অমিত ঃ  গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙরাং চান্দিগরদা ক্রিমিনেল জষ্টিসকী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা ই-ইভিদেন্স, নিয়াই সেতু, নিয়াই স্রুতি অমসুং ই-সম্মোন সিষ্টেম হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- লৈবাক অসিগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমদা হৌজিক চাউনা অওনবা লাকপগা লোয়ননা মীয়ামদা অথুবা মতমদা অচুম্বা বিচার ফংহনবা ঙম্লগনি। অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং অসিনা ভারত্তা বৃটিশকী আইনশিং চৎনরম্বদু মহুৎ শিনবগা লোয়ননা সিষ্টেম অসি মপুংফানা লৈবাক অসিনা শেমজবা আইনশিং ওইরে। অনৌবা সিষ্টেম অসি সংবিধানগা চান্নবা অমসুং মীয়ামদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙম্লগনি। অনৌবা লোশিং অসিনা দন্দি পীবগী মহুৎতা অচুম্বা ৱায়েল পীবদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি হায়নসু শ্রী সাহনা মখা তানা ফোংদোকখি।

রাস্ত্রপতিঃ  রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম-ফিজি, ন্যুজিলেন্দ অমসুং তিমোর লেস্তেগী খোঙচৎকীদমক ঙরাং নিউ দিল্লি থাদোকখ্রে।

মহাক্কী খোঙচৎকী অহৌবদা ঙরাং ফিজিদা থুংখ্রে। শ্রীমতি মুরমুনা থা অসিগী ৭ ফাওবা ফিজিদা লৈগনি। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা ভারত অমসুং ফিজিগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি। রাষ্ট্রপতিনা লৈবাক অদুগী কোনুং সুভাদা লুচিংবা কয়াগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। শ্রীমতি দ্রৌপদিনা ফিজিগী সংসদতা ৱা ঙাংগনি। তুংদা

মীয়ামগা উন্নদুনা  ৱারী শাগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অনিসুবা শরুক্তা থা অসিগী ৮ অমস্‌ং ৯ দা রাষ্ট্রপতিনা নিউজিলেন্দদা চৎকনি। লৈবাক অদুগী ৱিলিংতনদা রাস্ত্রপতিনা মালেমগী মহৈ মশিং তম্বগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি অমদি লুচিংবা কয়াগা ৱারী শান্নগনি। মহাকা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু ৱারী শান্নগনি।

থা অসিগী ১০ দা শ্রীমতি মুরমুনা তিমোর লেস্তেদা পাঙথোকপা কম্যুনিতি রিসেপসনগী থৌরম অমদা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী এক ইষ্ট পোলিসিদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়রি।

ময়াৱাতি ঃ বহুজন সমাজ পার্তিগী লুচিংবী কুমারি ময়াৱাতিনা হায়রি- হৌজিক লৈরিবা রিজার্ভেসন সিষ্টেম শেমদোকপা মহাক্কী দলনা য়ানিংদে। থা অসিগী ১ দা সুপ্রিম কোর্টনা ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইব কোতাদা সবক্লাসিফিকেসন তৌনবা রাজ্যশিংদা সংবিধানগী মখাদা শক্তি পীখিবনি।

লখনৌদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কুমারি ময়াৱাতিনা কেন্দ্র সরকারনা লৌখিবা ৱারেপ অদু সংবিধান শেমদোক্তুনা ওন্থোক্কদবনি হায়না দাবী তৌখি। মহাকা হায়- সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ত্রাইবকী চাদা ১০ নত্রগা ১১ দি ফিভম খরা ফগৎলবসু লেমহৌরিবা চাদা ৯০ রোমদি ফিভম শোকা লৈরি। শোথুরবশিং অসিদা মতেং পাংলি হায়না তৎতনা ফোংদোক্লিবা বি.জে.পি অমদি কেন্দ্র সরকারনা মিরাইবীবগুম তৌরি হায়না মরাল শিখি।

ওলিম্পিক্স ঃ	ভারতনা গ্রেট বৃটেনবু মায়থিবা পীদুনা পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪ গী নুপাগী হোক্কিগী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা ভারত অমদি বৃটিন পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা লৈখি। মদুগী মতুংদা সুট আউটতা ভারতনা গ্রেট বৃটিনবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখিবনি। সেমি ফাইনেলদা ভারত অমদি জরমনি লম্বা তৌনগনি।

গেমস অসিদা আমেরিকানা সনাগী ১৯, লুপাগী ২৬ অমসুং শেঙ্গেংগী

২৬ পুন্না তকমান ৭১ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী অহানবদা লৈরি। চিনানা সনাগী ১৯, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ১১ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা ফ্রান্সনা সনাগী ১২, লুপাগী ১৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৮ পুন্না তকমান ৪২ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংদুনা ৫৭ শুবা মফমদা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি সি.এমনা ববিনা মল্টি স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতাল শঙ্গাখ্রে, লল্লোনবশিংদা য়ৈখায় থিনগাইবা পীহন্দনবা খঙহল্লক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা ক্রোর ২৯.৫ চংখ্রবা মঙফাওনদ্রবা প্রোজেক্ট ৱেষ্ট টু ইনর্জি প্লান্ট শঙ্গাখিবা চহি অহুম হেনখ্রবা ফাওবদা ৱেষ্ট টু ইনর্জি প্লান্ট মৈ পুথোকপা ঙমদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট লিশিং ১০,৫৯০ লৈরি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োকবনি, দিমান্দ বিজিনেসমেনশিং অমসুং গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েলশিং থবক তৌবা ঙমদ্রে, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা কয়াম কুইনা য়েংখিদৌরিবনো হংলকখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। অচৌবা ত্রাইবশিংনা অপিকপা ত্রাইবশিংগী আইদেন্টিটি নমশিনদুনা থমবা হোৎনরে হায়বা হেদলাইন অসিনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইননি।

মসিগা মান্নবা পাউ ওইনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনদা হাওমী য়াওনা অপিকপা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে। অচৌবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংনা মণিপুরগী অপিকপা ফুরুপশিং নমথনবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংবা থেংনরে।

**------**